হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মার্চ ১১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৪৩শুবা মশীং

# পুলিসকী মোরাল
## শান্নপোৎকুম শান্নবিবা চুমদে

হৌখিবা মার্চ ৯, ২০২২দা থোকখ্রিবা থৌদোক্তুবু করিনো? থোরকহনফম থোকপা, থোরক্তবা য়াদবা থবক্লা? ৱাহংসিগী পাউখুম ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্তনা ময়া য়াওদ্রবা কৈগা পাংখক্লরবা হোমগী থবকসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা পীগদ্রা নৎত্রগা মহাক্লা খূৎপায়নরক্লিবা হোম দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা পীগদ্রা? অমনা ওইরবসু অমনা ওইরবসু ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মণিপুরগী মীয়াম অকক্লনা মণিপুর পুলিসকী কম্মান্দো য়ুনিটকী রেঙ্ক এন্দ ফাইলগী পর্সনেলশিংদা পীবিফম থোকই। মরমদি থৌদোক্তু ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো পর্সনেল খরনা মখোয় মশাদা ইস্যু তৌবা সর্ভিস ৱিপন (নোংমৈ, নোংমৈ মরূ অমসুং ৱায়রলেস সেটনচিংবশিং) পূম্নমক থাদোক্লগা পুল্লপ লেপ্তুনা মখূৎ থাঙ্গৎলগা প্রোটেষ্ট তৌখিবনি। মরী লৈনবা পুলিস অমসুং হোম দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসল খরগী মথক্তা পেন্দবা ফোঙদোকখিবনি। মসিগী মরম্না মার্চ ২, ২০২২গী নুমিদাংদা ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্ট কম্মান্দো য়ুনিটকী কম্বাইন্দ টিম অমনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী কলাপহাড়গী মফম অমদা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিং তৌবদা য়াওখিবা পর্সনেলশিংগী মরক্তগী ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইষ্টকী টিমশিংদগী পর্সনেল অমমম সর্ভিসতগী সস্পেন্দ তৌনবা থবক লৌখৎলক্লে হায়বনি। হায়রিবা থৌওং অসি কম্মান্দো পর্সনেলশিংনা য়াবা ঙম্লোই হায়বনি। চথখ্রিবা ফ্রিস্কিং অমসুং চেক্কিংগী থবক্তুদা চীংগী মহৈরোয়শিংগী লূপ অমগী মীওইনি হায়বা, য়ুসু থক্লকপনি হায়বা মীওই অমগা কম্বাইন্দ কম্মান্দোগী টিম অদুগগী মরক্তা উংখৎনবা থোকখিবনি। অদুবু মীওইদু কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এদিসনল এস পি অমনা ইরেঞ্জনা থাদোকখ্রে হায়বনি। অদুগা কম্বাইন্দ টিম অদুদগীনা পর্সনেল অনীবুনা সস্পেন্দ তৌনবা থৌরাং লৌখৎলক্লে হায়বনি।

অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি অসিগুম্বা থৌদোকসি থোকহনফম থোকপ্রা হায়বনি। কম্মান্দো পর্সনেলশিং খক্তা নত্তনা নোংমদা পুং ২৪ (রাউন্দ দি ক্লোক) মথৌ পাঙথোরক্লিবা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী পর্সনেলশিংবু কাল্লে ফূ, কান্দ্রে ফূগী ফীভমদা থম্বীদুনা মখোয়গী মোরাল শোকহনবগী থবক্তি হন্দক্কী অসিনা অহানবা নত্তে। মতম কয়াগী মমাঙদগী অদুম্মক চথ্দুনা লাক্লে হায়বদা হেঞ্জিনবা ওইরোই। ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংদা, প্রমোসনদা, সর্ভিস রেকোর্দতা অমসুং সিনিয়রিটিদা ফাওবা য়াম্না তোয়না ৱাথোক-লান্থোকশিং থোকখি। হায় কোর্ট য়ৌনা ৱাকৎনরকই। পূম্নমকসিগী মথক্তা রিক্রুটমেন্টতসু ইকায়-শঙ্গোই হাঙবা থৌদোকশিংসু অদুম্মক মায়োক্লে। অদুবু পূম্নমক অসি গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী মরী লৈনবা হোম অমদি দি পিনচিংবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা খূৎ থিংজিনবীফম থোক্তে, খাবৈ-খারা শাদুনা পুলিস পর্সনেলশিংগী মোরাল শোক্লনবা খোঙকাপ অমা ফাওবা থাংলোইদবনি। মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা তোৎননা অমসুং তোৎশিন্নদনা ফেক এনকাউন্টরশিংদা কম্মান্দো পর্সনেলশিং চেন্নবগী থৌদোক লৈখি। তশেংনমক মসিসু মতম-মতমদুগী লৈঙাক পায়খিবা অঙম্বশিংনা লান্না মথৌ শংলগা থোকহনখিবনি। হৌজিক্তি সুপ্রিম কোর্ট য়ৌনা ৱাকৎনরকপদগী সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) না নৌহৌননা কেস লৌখৎলকপদগী কোর্টতগী বেল লৌনদুনা কোইচেন চেন্নরি। কেসশিংদুগী ৱায়েল চথবা লোইরবা মতুংদা করি ওইরক্কদগে হায়বা ঙমদ্রি। মসি কনানা থোকহনবিবনো? ইনশিনবা/থৌজিনবীখিবা অঙম্বশিংদুনা হৌজিক লো কোর্টতা মহুৎ শিনবিরবা য়াগদ্রা? হৌজিক্লা থবক্তগী পোথারবা অদুগা এদিসনল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস ফাওবা ওইরমখিবা শক্লাইরবা পুলিসমেন অমসু মহাক্লা এস পি ওইরিঙৈদা উখ্রুলদা ত্রান্সফর তৌবদা ঈরাং থোকখি। অদুগা হৌজিক্লা লৈখিদ্রবা পুলিস ইন্সপেক্টর অমসু জিরিবামদা ত্রান্সফর তৌরুবদা নুপীশিংনা রেল্লি ফাওবা চৎতুনা প্রোটেষ্ট তৌখি। মণিপুরগী পুলিসমেনশিং অদুক হাক্লা মরীল য়াওদবা নত্তে। থৌদোক অনীসিসু মখোয়বু মিসমেনেজমেন্ট তৌবীবদগী থোকহনখিবনি। অদুবু হায়রিবা ময়ামসি মতম কুইনা শাংনা পক্লক্লবা তমথীরবা লায়নানিনা হৌজিক প্রপ-প্রপ ফহনবদি ঙম্লোই, মতম চঙখিনি। মকোক্তগী হৌনা শোয়রকখ্রবনি। অদুবু থেংলবসু থেংনা চুমথোক্লবা হোৎনহৌবনা অচুম্বা, তৌফম থোকপা থবক ওইগনি। পুলিসমেনশিংগী মোরাল শান্নপোৎকুম শান্নগনু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭

১) অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০দা ফোঙবা *“অমাইবা”* হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **“অমেরিকাগী ঈশৈ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেলদা কনানা ইবা লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) *“ৱারী শীংবূল্লক্তগী”* হায়বা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) *“লৈকংলা”* হায়বসিগী অইবসি কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি।
লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ঈং-তপ্পা পানগদবা লৈঙাক অমা লৈহন্নীংই

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

ইলেক্সন হায়বসি লানবানবনি, চাংদম্নবনি, অমরোমদনা লাননি। পাঙথোক্লবা হোৎনবদা কয়াগী মতিক লাঙনখ্রবা, চুম্না লাঙনবদা নত্তনা থৱায় ফাওবা মাঙনবা য়াওনরিবনি। উচিন-নাচিন্না মশীং থিঙমদ্রবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়ামরুম অমনা খুজিং ওইখ্রগসু তাঙ্কক অনীরক-অহুম্লক থোক্লা ইরমদমসিগী ইলেক্সন পাঙথোকপদি লোইখ্রে, ভোট মশীংসু থিনখ্রে। অকাবা কয়া, কাদবা কয়া, অকাবা কাঙবুশিংগী মরক্তা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনরকপা হায়বদুদি মহৌশানি। মণিপুর লৈঙাক শেম্নবগী অকনবা লাল্লোং চথবা হৌনখ্রে। মতাংসিদা হায়নীংলিবসি, পাঙথোক্লবা হোৎনবদা চাংদম্ননীংঙাই লৈতবা মওংদা অৱা-অনাশিং অমসুং ৱাথোক-লান্থোকশিংতগা পীক থন্না লোয়নদুনা পাঙথোকখ্রবসু হৌজিক্তি অরোইবা তাঙ্কক হায়বদু লাকখ্রবনিনা থোকখিবা থোকহন্নীংদবশিং পূম্নমক্তু কাউথোকখ্রগা, মণিপুরগী মীয়ামগীদমক খনবা, মীয়ামগী ৱা তাবীগদবা অমসুং মীয়ামগা লোয়ননা চৎমিন্নগদবা, মরা তপ্পা অমসুং মতম শাংনা পনগদবা মণিপুরগী অনৌবা লৈঙাক অমা শোয়দনা শেমহন্নীংই হায়বা ৱাফমসিনি। ইলেক্সন পাঙথোক্লবগীদমক ঐখোয়না মতম কয়াম শাংনা লাংনদুনা লেল্লকখ্রবা, অদুগা হৌজিক্তনা তরাই-তরাই হেক্তা তঙাইফদবগী মওংদা লৈঙাক্লিবু হায়রবদি ওইনীংবা অমা ওইজরসনু হায়দুনা পেন্থোকপা হায়বসিসু অচুম্বদি নত্তে। অদুম ওইনমক, হৌজিক্তি পূম্নমকসি হৌখ্রবা ঙাক্তা হায়বদু ওইরে। ইলেক্সন লোইখ্রে, মীয়ামগী হকসু শিন্নখ্রে, লোয়ননা মীয়ামগী অপান্বসু খঙনরে। হৌজিক্তি মীয়াম্না শিন্নরিবা হকসিনা পুরকপা অনৌবা মায়কৈগী অনৌবা লৈঙাক্তু ঐখোয়গীনি হায়না লৌবা তাবনি অমসুং য়েংবা তাবনি।

লৈঙাক অমগী মতিক-মঙম হায়বসিসু অরায়বদি নত্তে। অফবা লৈঙাক অমগী মতিং অমসুং ফত্তবা লৈঙাক অমগী মতিং কয়াগী মতিক খেন্নগনি। অফবা লৈঙাক লৈহন্নবগীদমক মতম চূপ্পদা অফবা পোলিটিকেল পার্টি খল্লগা ভোট পীয়ু হায়নরিবসিনি। তৌইগুম্বসুং লুরিবদি ফনা অফবা পার্টি ওইদুনসু কেন্দিদেট ওইরিবা মীশক্তুসু য়েংহৌদবদি খক য়ারোই। ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুরসিদদি এম এল এ ওইগদবা মীশক হায়বসি য়াম্না কূপ্না য়েংহৌবা মথৌ তাই। ঙসি ফাওবদা লমদমসিগী পোলিটিক্সতা মীয়াম্না য়েংহৌগদবসি অয়াম্বনা পার্টিগী ৱাগী মথক্তা এম এল এ ওইগদৌরিবা মীশক্তুগী মওং মতৌ অমসুং মাগী ৱাখল্লোন্দুসুনি। ৱাফমসিসু মীয়াম্না য়াম্না লুম্না লৌনহৌদবা য়াদবা অমনি। পার্টিগী মচৎ অমসুং কাঙলোন্না ফনা নিংথিজনা ফদুনসু নৎত্রগা ফত্তদুনসু মীয়াম্না হকথেংননা লোয়ন-তিন্নগদৌরিবা মীশক্তুদি শেংনা হায়রবদা এম এল এ ওইগদৌরিবা মীশক্তগনি। এম এল এ ওইরিবা মীশক্তুনা ৱাইয়োং চাদ্রবদা পার্টিগী করম্বা লিচিংনা নৎত্রগা পাম্বৈনা এম এল এ ওইরিবা মীশক্তুবু নমদুনা চুমথোকপা ঙমগদৌরি? পার্টিগী অপাম্বদা চৎতনা মশাগী মরন্নাইগী অপাম্বদনি ইরমদম মণিপুরসিদা এম এল এ ওইবিরিবা খুদিংমক্লা চৎনরিবসি। থৌদৌসিদবু ঐখোয়না ভোট থাদ্রিঙৈদা ভোট লেপ্লিবা কেন্দিদেটশিংবু মুন্না য়েংহৌদবা য়ারিব্রা? হন্দক্কী ওইনদি ৱাফমসিগী মরমদদি হায়নগদবা খুদিংমক্তু হায়নবা লোইখ্রে, ভোটকী থবকশিংসু লোইশিনখ্রে। মথক্তসু পঞ্জখ্রে, হৌজিক্তি ভোট হায়দোক্লবনিনা শুপ্পগী ইরমদম মণিপুরসিগী অনৌবা লৈঙাক শেম্নবগীদমক শেম-শানবা হৌনখ্রবনি। হৌজিক্তি ঐখোয়না ঙম্লুগদবদি নৎত্রে, অদুবু তাঞ্জাসিদা তাইবঙ মপুদা ঐখোয়না মণিপুরগী মীয়াম ঐখোয়গীদমক অমদি ইরমদমসিগীদমক অফবা, মীয়ামগী খোঞ্জেল তাবীগদবা, তংদু লৈতাবা লৈঙাক অমা পীবিয়ু হায়না নিজগদৌরিবসি। অফবা লৈঙাক অমনা মরমদমদুগী মীয়ামগী খোঞ্জেল তাই, মরমদমদুবুসু নুংশিজৈ অমসুং চাওখৎপসু পুরকই। হৌজিক্কী মতমদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈঙাক্লা লৈবাক্তুগী মীয়াম্বু হায়নীংঙাই লৈতনা থৌগল তৌনরি। খুদম অমা হেক্তা পল্লবদা, চাইনাদা অঙাং অমা পোক্লকত্রিঙৈগী মমাঙ, মমানা মীরোল্লিঙৈদগী হৌনা চাইনা লৈঙাক্লা কয়াগী মতিক চেকশিন-থৌরাংশিং লৌবগে হায়বসি য়েংশিল্লুবদা অঙকপা পোক্লবা ৱাফমনি। অসুক্কী মতিকসু তমজনীংঙাই ওই। চাইনাদা মীরোল্লিবী নুপীশিংনা চেক-অপ চৎপা, দেলিভরি তৌবা, অঙাংদু পোক্লক্লবা মতুংদসু হীদাক লাংথকশিং কাপথোকপা অমসুং অঙাংদুগী লায়েং-পথাপকা মরী লৈনবা খুদিংমক্তা চাইনা লৈঙাক্লা পৈশা অমা ফাওবা তিংহন্দনা ফ্রী ওইনা লোইনা তৌহল্লি। চাইনাগী হোস্পিটাল খুদিংমক্তা অঙাংগী নাওশুমশিং অমদি চাইল্ড ক্যের দিপার্টমেন্টশিং মতিক চানা চানা থম্মী। থৌদৌসি চাইনা লৈঙাক্লা চাওখৎপগী ঙম্বা ওইরম্বসু য়াই। ফীভমসিদা চাইনাদা লৈবা মীয়াম্না চাইনা লৈঙাক্কী থৌগল্লোনসিবু য়ানীংলোইদবা অমসুং থাগৎনরোইদবগী মরমশিং লৈগদ্রা? সিনি অফবা লৈঙাক অমা লৈজবগী লৈবাক মীয়াম্না নুংঙাইবা ফংজবা হায়রিবসি। অসিগুম্না চাওখৎপা পুরকপা ঙম্নবনি, ঐখোয়গী ইরমদমসিগীসু মরা চেৎনা, ঈংনা-তপ্পা পানগদবা লৈঙাক অমত্তং লৈহন্নীংই হায়রিবসি।

ইন্দিয়া লৈবাক্কী হৌজিক ওইরিবা দিমোক্রেসিগী কাঙলোনসিদা ইলেক্সন পাঙথোক্লবগীদমক চথরিবা থৌদৌসিনা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিশিংগী মেম্বরশিং খনবদা অফবা মীশক খনবা ঙম্ফম থোক্লিব্রা হায়বসি খন্থনীংঙাই ওই। কনাগুম্বা মতিক চাবা, অফবা মীওইশিংবু মতিক চাই অমসুং ফৈ হায়দুনসু মতমসিগী ইচেনসিদা ইলেক্সন লেপ্পগী চপ চাবা এক্সপেন্দিচর মখলশিং শুনা অমসুং মতিক চানা পুথোকপা ঙমদ্রবদি অদুগুম্বা কেন্দিদেটশিংদু মতৌ করম্না ভোট কারক্কদৌরি? অসুম্না ইলেক্সন পাঙথোকপা মতমদা অফবা অমসুং মতিক চাবা মীওইশিং মায় পাকপা ঙমদ্রবদি, অকাবা মীওইশিংগী মরক্তা অফবা মীওইশিংগী মশীং লল্লবদা, অফবা লৈঙাক মতৌ করম্না পুরক্কদৌরি? চৎনবীনা নৎত্রগা করপসন্না নমদুনা অফবা কেন্দিদেটশিং ভোট কাবা ঙমহন্দবা হায়বসি অফবা লৈঙাক লাকহন্নবগী লম্বীদা য়াম্না চাউনা অথিংবা পীবা অমসুং শীংনবা অমনি। অদুবু পূম্নমকসি ওইখ্রবসু অকাবা কেন্দিদেটশিংগী মরক্তগী মণিপুর লৈঙাক শেন্নকপদা হন্দক্তি মতম কুইনা তংদু লৈতাবা অমসুং অফবা লৈঙাক মশক উরক্তবা ইরমদমসিদা কথোকপা হায়বা পোৎশকসিনা মাঙজিন থানরগা, মণিপুর লৈঙাক পায়বীগদৌরিবা, নৌনা কারকপা কেন্দিদেট ইচিন-ইনাওশিংনা খজিক্তং খন্থবীদুনা খ্বাইদগী ফবা মখলগী মণিপুর লৈঙাক হায়বদুমদি শোয়দনা শেমহঞ্জনীংই। অফবা লৈঙাক অমা লৈহঞ্জনীংই হায়বা ৱাফম হঞ্জিন-হঞ্জিন পঞ্জরিবসি ইরমদমসিগীদমক তশেং তশেংনা খ্বাইদগী ফবা লৈঙাক হায়বদু লমদমসিদা অমুক্তংদি শোয়দনা লৈহঞ্জনীংবদগীনি। হন্দক নৌনা এম এল এ ওইবিরক্কদৌরিবা মণিপুরগী ইচিন ইনাওশিং পূম্নমকসিদি মীয়াম্না তত্তনা হায়নবা “ওল্ড ৱাইন্স ইন ন্যু বোটলস” হায়বা থৌদৌসিমদি হঞ্জিন হঞ্জিন তাহঞ্জনীংদ্রে। তৌবদি ৱাফমসি অদুম থোক্কদৌরি পোৎনি, মশানসু চুল্লক্কদবা ৱাফমনি। মীয়াম্না হান্নগী হান্না অদুমক মহাউ খঙদুনা লৈরবা অরিবা য়ু অমবু ইনৌ নৌবা বোটল অমদা অমুক হন্না হাঞ্জিন্দুনসু হান্নগী য়ু মশাদুমক ওইবনিনা য়ুদুগী মগুণদুদদি অহোংবা অমা ফাওবা খক লৈরোই হায়বনি। পার্টি অমদগী অমদা কয়ারক হন্না চোঙথোক-চোঙশিন তৌরক্লবা ঐখোয়গী অরিবা পোলিটিসিয়নশিংনা, ইনৌ নৌবা পার্টিশিংদা ফনা নৌনা চোঙদুনসু মশা-মশাদুদি খক হোংবা নত্তবনিনা মশাগী হান্নগী মগুণশিংদুদি খক হোংলক্লোই হায়বনি। অদুমকপু লোইশিল্লকপদা হায়নীংলিবসিদি মথক্তা থমজখিবা ৱাফমদুনি। অমা-অমা ফনা ওইদুনসু হন্দক নৌনা শেমগদৌরিবা মণিপুর লৈঙাকসিমত্তংদি তোপ তোপ্পা অফবা মখলগী লৈঙাক হায়বদু শোয়দনা ওইহনমিন্নসি হায়বা ৱাফমসিনি।

থাজবনা লান্নরিবা তাইবঙসিদা ঐখোয় মশেন থাজনদবা ঙাক্তনা পীক থনহল্লবদি ঐখোয় কমদৌনা চাওখৎপা পুরক্কদৌরি? ঐদি থাজৈ পূম্নমকপু থাজৈ। মণিপুরগী পোলিটিসিয়নশিংনা হন্দক নৌনা শেন্নক্কদৌরিবা মণিপুর লৈঙাকসি শোয়দনমক্কী মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা খ্বাইদগী হেন্না ফবা মখলগী মণিপুর লৈঙাক অমা ওইহল্লক্কনি। মদুমক ওইহল্লকপসু ওইসনু। অমগা অমগা থাজনদবনা পীক থল্লম্বা অরিবা লৈঙাক্তুদগী ঐখোয়না ফংহৌরিবা ৱাখল্লোনসি করিনো? অমগা অমগা থাজনদবা, অমনা অমদা কো-ওপরেসন পীনদবা, কো-ওপরেসন পীনবগী মহুত্তা থোইনা হেন্না মুক্লদুনতা লৈবা, থম্মোয়নুংদা থরুম মশীং খঙদনা ফুম্নদুনা থম্বা, অমনা অমবু তাঞ্জা হেক ফংবদা হুন্নদুনতা লৈবগী থৌদৌশিংনা পূম্নমকপু নীংঙাই-শংদান্নহনবা অমসুং মচেৎ তানা চিংখায়হনবা নত্তনা অতৈ করিসু পুরক্লমদ্রে। মমাঙগী থৌদৌ খিবিক্তু কান্নহল্লম্বা নত্তে। হন্দক্তি শোয়দনমক্কী চরাংনবা পূম্নমক্তু থাদোক্লরগা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নরগা ঈংনা-তপ্পা, মরা চেৎনা পানগদবা, চাংদম্ননীংঙাই লৈতনা ফবা মণিপুর লৈঙাক অমা শোয়দনা শেম্মিন্নরসি। ●

আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইজবা

# মালেমগী থাক্তা বোক্সিংদা গোল্ড ৫, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ মেদল ৩ লৌরক্লবী এস সর্জুবলানা বোক্সিং একাদেমি ১ লিংখৎপা পাম্লি

– বিজয় লাইশ্রম –



লমদম অসিগী ইনখৎলক্লিবা নহা কয়ানা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চারুবদগী মসিগী ঈপাক্তা ঈরাক্লদুনা অরেম্বদা মমল য়াল্লবা মীওইবগী পুন্সি কয়া খাঙুথক্তা পিখম্নখিবগা লোয়ননা লৈহৌরিবা মমা-মপা কয়ানা নীংঙমদবা অমদি মিৎলুগী পিরাং কংদনা ৱানা খাংলি। মরম অদুনা নহা ওইরিবা ইনখৎলক্লিবা মীওইশিংনা ইমা ইপাগী মরুম থুপ্না লৈরিঙৈ মতমদা অরেম্বদা মতম মাঙহন্দনা লাইরিক তম্না তম্না ইশানা পামজবা তোঙান তোঙানবা মশান্নগী দিসিপ্লিনশিংগী মরক্তা অপাম্বা অমা খন্দুনা শান্নহৌবদা ইশাগী তুংগী ফিরেপ অমা শেম্নবা হোৎনবা য়াই। মসিনা ইশাসু ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তগী লাপ্না লৈহনবা ঙম্বতা নত্তনা ইশাগী ইমুং মনুং, কৈরোই লৈকায় অমদি খুন্নাই অসিগী অফবা থবক খরদি তৌবা ঙম্বা য়াই হায়না মালেমগী থাক্তা বোক্সিং মশান্নদা গোল্ড ৫, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৩ লৌরকখিবী শমজেৎশাবম সর্জুবলাগা পাউচে অসিগা অখন্নদা উন্নরুবদা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখৈ অয়াংপল্লি রোদ পুখ্রম্বম লৈরক মচিন্দা লৈবা শমজেৎশাবম রাজেন অমদি শমজেৎশাবম ওংবী থোইবীগী মচা অনীগী মনুংদা ইতোন তোনবী সর্জুবলানা মখা তানা হায়, মহাক লাইরিক তম্না তম্না কুমজা ২০০৪দগী কোংবদা লৈবা বোক্সিং একাদেমিদা ওজা অয়েকপম ইবোমচাগী লমজিং মখাদা চহী অমরোম বোক্সিং তম্বা হৌরকখি। চহী অদুগী দিসেম্বর থাদগী মহাক খুমন লম্পাক কমপ্লেক্স মনুংদা লৈরিবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (সাই) দা টেলেন্ট হন্টতা খন্দুনা বোক্সিং তম্না তম্না লাইরিকসু তমদুনা মফম অসিদা লৈরগা ষ্টেট লেভেল বোক্সিং কম্পিটিসন অমদি নেসনল লেভেলগী কম্পিটিসন কয়াদা শরুক য়াদুনা মনা-মথুম কয়াসু লৌবা ঙমখি। মহাক্লা খুমন লম্পাক্কী সাই সেন্টরদা লৈরিঙৈদা শওম্বুংদা লৈবা বিরমঙ্গোল কোলেজদা এদ্যুকেসন সবজেক্টতা গ্রেজুএসন লোইশিনবা ঙমখি। মহাক্লা বোক্সিং মশান্না তমদুনা খরা কোম্বা মতমদা কোলেজদা সাইকল তোংদুনা লাইরিক তম্বা চৎলি। করিগুম্বা মতমদা মহাক্কা লৈমিন্নরিবা সিনিয়র শান্নরোয়শিং কোলেজ ফাওবা সাইকলদা থিনবীরম্লগা হল্লকপদনা ওটোরিক্সোদা হল্লকপসু য়াওখি। গাড়ী ফংদবা মতমদনা মহাক কোলেজদগী খুমন লম্পাক ফাওবা খোঙনা ৱাকিং ওইনা হল্লকপা য়াওখি।

সর্জুবলানা নেসনল লেভেলদা বোক্সিংদা গোল্ড মেদল ১২, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ২ লৌখি। মহাক কুমজা ২০১২ ফাওবা খুমন লম্পাক্কী সাই সেন্টরদা লৈরমখি। মদুগী মতুংদা মহাক কুমজা ২০১৩দা রেলৱেজদা জুনিয়র ক্লার্ক ওইনা থবক তৌরমখি। মদুগী মতুংদা মহাক কুমজা ২০১৬তা গুৱাহাটিদা লৈবা ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টতা অমুক ইন্সপেক্টর ওইনা থবক চঙখি। মহাক থবক তৌনা তৌনা বোক্সিং শান্নবা অমদি ত্রেনিং কেম্পতা চৎতুনা ফিজিকেল ফিটনেস ওইনবা মতম মতমগী প্রেক্টিসসু তৌই।

মহাক্লা মালেমগী থাক্তা বোক্সিংদা গোল্ড মেদল মঙা লৌরকখিবা লৈবাকশিং অদুদি কুমজা ২০১১দা পাঙথোকখিবা অহানবা অমদি অনীশুবা শ্রীলঙ্কা ভর্সেস ইন্দিয়া জোইন্ট ৱিমেন য়ুথ বোক্সিং ত্রেনিং কম্পিটিসন, চহী অসিমক্তদা শ্রীলঙ্কাদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া ভর্সেস শ্রীলঙ্কা ৱিমেন বোক্সিং দিভেলপমেন্ট কম্পিটিসন, চহী অসিমক্তদা টর্কিদা পাঙথোকখিবা য়ুথ ৱর্ল্ড ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ, কুমজা ২০১৫দা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা ২২শুবা প্রসিদেন্ট কপ ৱর্ল্ড ওপন বোক্সিং টুর্নামেন্টনি। অদুগা সিলভর মেদল লৌরকখিবা লমশিং অদুদি কুমজা ২০১৭তা সর্বিয়াদা পাঙথোকখিবা নেসনল কপ, কুমজা ২০১৫দা সাউথ কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা নিপানশুবা এ আই বি এ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপনি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেদল অহুম লৌরকখিবা অদুনা কুমজা ২০১৮দা কাজখষ্টান্দা পাঙথোকখিবা কাজখষ্টান কপ, চহী অদুমক্তদা ইন্দিয়াদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন ওপন টুর্নামেন্ট অমদি কুমজা ২০১৫দা চাইনাগী ৱুলানচাবুদা পাঙথোকখিবা এ এস বি সী এসিয়ন কনফিদরেসন ৱিমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপনি।

সর্জুবলানা শান্নবা হৌরকপদগী হৌজিক ফাওবদা বোক্সিং শান্নবগী থৌনা অসি হনবা লৈতে। সব জুনিয়রদা শান্নরম্বদগী য়ুথতা অমুক শান্নরকখি। হৌজিক্লা সিনিয়র লেভেলদা মখা তানা শান্নরি। কুমজা ২০১২-১৩দা মহাক ত্রেনিংদা মখূৎতা খরা শোকপদগী থা অনীরোম পোত্থারগা লৈখি। অদুবু কুমজা ২০১৩দা নেসনল লেভেলদা শান্নদবা য়াদবদগী নমদুনা অমুক শান্নখি অদুবু ব্রোঞ্জ মেদল অমদি লৌরমখি। কুমজা ২০১২দা সর্জুবলা সিনিয়রদা কারবসু মহাক সেলেক্সন শুকতৌ তৌবীখিদে। মহাক সিনিয়র নেসনলদসু গোল্ড মেদল লৌনা লৌনা খনবীখিদে। কুমজা ২০১১দা মহাক সিনিয়র কারবসু কুমজা ২০১২ অমদি ২০১৩দসু ইন্টরনেসনলদা থাবীদে। মতম অদু অনুকুমার কৌবা চীফ কোচ অমনা পায়। মহাক হরয়ানা মচানি। মতম অদুদা সিলেক্সন ত্রাইএলনি হায়রগসু মহাক্লা ফূরগসু খূৎ থাঙ্গৎহন্দে। মখোয় অসি কুমথহল্লগা অদুম মপান লৈবাক্তা শান্নবদা অদুম পুখি। চহী অনী অসি ইন্টরনেসনলগী শান্নবদা সর্জুবলা পুবিখিদে হায়রি।

মদুগী মতুংদা কুমজা ২০১৪দা বোক্সিং ইন্দিয়া হায়দুনা অমা থোরকখি। ওল ইন্দিয়াগী ওইনা মখোয়না প্রেসতা টাইমস ওফ ইন্দিয়াদা, হিন্দুষ্টান টাইমসতা লাউথোকখি। হন্দক্কী রাইপুরগী নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা গোল্ড লৌবশিং অদু ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্দা থারগনি হায়খি। অদুবু মহাক্তি সিনিয়র নেসনল অসি গোল্ড লৌরগা অদুম লাকপনা মখোয়না মহাকপু নমথবা ঙমখিদে। মদু মহাক্কী বেষ্ট চাঞ্চনি খন্দুনা মহাক ত্রেনিং ফজনা তৌখি। অদুগা রাইপুরদসু মহাক্লা গোল্ড লৌখি। মদুদগীদি মহাক ওটোমেটিকেল্লি সিলেক্সন তৌখি। মদু ফাওবদা মপানগী কোচ ময়াম্না চে চাং থাগৎতুনা ত্রেনিং তৌদবা য়ারোই হায়দুনা নমথনবা হোৎনবীখি। অদুবু হান্না লাউথোকখিবা মতুংইন্না সাউথ কোরিয়াগী জেজু আইলেন্দদা পাঙথোকখিবা লৈবাক ৭২না শরুক য়াবা ৱর্ল্ড মেজর চেম্পিয়নশিপ্তা য়াওবা ঙমখি। মদু মহাক্কী অহানবা ইন্টরনেসনলগী থাক্তা শরুক য়াবা ফংবনি।

মহাক সাউথ কোরিয়া মচাগা শক-চু মান্নবদগী য়াম্না নুংশিনা তৌবীরকপগী ৱারী ময়াম লৈখি। মহাক ফাইনেলদি চঙখি অদুবু গোল্ডদি লৌবা ঙমখিদে, ব্রোঞ্জ মেদল ওইনা লৌরকখি। মদু মহাক্কী অচৌবা এচিভমেন্ট অমদি ওইখি। মফম অদুদা হরয়ানা মচা সুচিবোড়া কৌবী কেজি ৬৫দা শান্নবা অমগা মখোয় অনী ব্রোঞ্জ মেদল অমমম লৌরকখি। অদুবু অতৈদি অমত্তা মেদল লৌরকপা য়াওখিদে হায়রি। মদুদগী মখোয়না মহাকপু নমথবা য়াদবদগী ইন্টরনেসনল শান্নবা ফংখি। মরক্তসু মহাকপু নমথনবা হোৎনরকখি অদুবু নমথবা ঙমখিদে। মণিপুরগী মপান্দা কেম্পতা লৈরগা বোক্সিং শান্নবা মতমদা য়াম্না নুংঙাই। অদুবু ঐখোয়না মপানগী ত্রেনিং কেম্পতা জুনিয়র ওইনা চঙলগা বোক্সিং অসি শান্নবা মতমদা মফম অদুদা হান্না লৈরম্বা অফাওবা মমিং লৈরবা মণিপুর মচা শান্নরোয়শিংনা নৌনা লাকপা মখোয়দা সপোর্ট তৌদে। অদুবু মীওই খরদগীদি মতেং ফংবা য়াওই। বোক্সিং মশান্না অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ কয়াগী মীওইশিং লৈরম্বা থেংনখি। ঐখোয়না ৱারকপা মতমদা মফম অদুদা হান্না শান্নরম্বা মীওইশিংদগী কোওপরেসন ফংদ্রগসু ঐখোয়গী থম্মোয়দা নুংঙাইতবা লৈবশিং অদু হৌরক্লিবা নহা শান্নরোয়শিংদদি মদুগী অৱাবশিং অদু থোকহল্লোই, মহাক্লা ঙম্বমখৈদি মতেং পাংগনি। অদুবু হান্না লৈরম্বা সিনিয়রশিংনদি মখোয়দগী হেনবা মীওই পুথোক্লীংদে। করিগুম্বা মখোয়না ঐখোয়বু পুখৎপীরম্বা তারবদি ঐখোয়সু আ য়ৌরম্বা য়াই। অদুবু লৈরিবা নন মণিপুরীশিংদি মখোয় মশেল কয়ামুক য়াম্না সপোর্ট তৌবগে হায়বদু য়াম্না তমজনীংঙাইনি। শম্না হায়রবদা হরয়ানা মচাশিংদি মখোয়না চঙলিবা লম্বী অদুদা মতুং ইন্নরক্লীবা নহাশিংদা সিনিয়রশিংনা থৌনা হাপ্পী। মতম অমদা মখোয়না শান্নরকপা মতমদা নুপী মণিপুর মচা মঙা/তরুক লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি নুপী বোক্সিং শান্নরোয় অমা থিবদা ৱারে। সিনিয়র শান্নরোয়শিংনা মখা থাবা অমা চিংখৎপীরম্বদা তুংদা অমুক মহাক্লা মখা থাবা অমা চিংখৎনবা চেন সিষ্টম অসি লৈরগদি মতুংদা ইরমদমগী শান্নরোয় কয়া থোরকপা ঙমগনি। মণিপুরগী সিনিয়র বোক্সিং শান্নরোয় য়াম্না লৈত্রে, মখোয়সু মপান লমদা থবক্কী খুদোংচাবা ফংবনিনা রেলৱে, সী আর পি এফ, সী আই এস, এস এস বিদা চঙখিবা অসিনা মণিপুরদা সিনিয়র শান্নরোয় কয়া লৈতবনি। সিনিয়রদা লৈরগা শান্নরিবা অসি মহাক খক্তং ঙাইরে। মহাকসু মণিপুর লৈঙাক্লা ইন্সপেক্টর অমদি পীরগনি হায়বগী থাজবদি লৈরে। অদুবু জোইন তৌনবা চে চাংদি ফংদ্রি। মহাক্কী তুংগী ভিজনদি লমদম অসিদা বোক্সিংগী একাদেমি অমা লিংখৎতুনা ইরমদমগী নহা শান্নরোয় কয়া পুথোক্লবা কন্না হোৎনবনি হায়রকখি। ●